## এডিটোরিয়েল

# শেল লৌগনি হায়বত্মক খঙবা

মণিপুরদা অনৌবা এস পি এফ সরকার লাকপা মতমদা মীয়াম্না খ্বায়দগী পামগদবা থৌরাংশিংগী মনুংদা অমা ওইনা লৈবাক্কী মপী–মপা ওইরিবনা নোংমদা পুং ২০ মৈ ফংহনগনি হায়না মীয়াম তিনবা অমদা ফোঙদোকখি। ইলেক্ট্রিসিটি নৎত্রগা পৱার দিপার্টমেন্টকী শোখহৌবা হিরম কয়া লৈরে হায়দুনা দিপার্টমেন্ট অসিমক চিফ মিনিষ্টরনা পায়শিন্দুনা অফবা দিপার্টমেন্ট অমা ওন্থোক্কনি হায়বগী থাজবা অদুসু মীয়ামদা থমখি। মতমগী মতুং ইন্না হৌজিক ইম্ফাল এরিয়াগী মনুংদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুংগী শরুক অসি ইহান হান্না প্রি পেদ মিটরশিং পান্দুনা পৈশা য়াওদ্রগদি মৈ ফংদবা হায়বা সিষ্টেম অমা হৌদোকখি। মদুনা মরম ওইরগা হেন্না ইকোনোমি ওইবা থৌরাং অমনি হায়বা ফাওবা মীয়াম্না ঙাংনখি অমসুং পাম্না প্রি পেদতা মৈ শিজিন্নবা হৌখি। তৌবদবু মৈ চাং নাইনা শিজিন্নরিবা মীওইশিংনা শেলগী মতুং ইন্না অরেম্বদা চাদিং তৌদনা মৈ শিজিন্নবা হোৎনবদা মরন্নাই ওইবা প্রোব্লেম খরদি লৈখি। অদুবু প্রোব্লেমশিং অদু সোল্ব তৌনবা হোৎনখি। মসিমক মীয়ামদা সরকার অসিনা মরুওইনা ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টনা তম্বিবা পড়া অমনি হায়না লৌবা য়াই। মখা তারকপদা মতৌ তম্বা হৈবা মীওই কাঙলুপ অমা ওইবনিনা য়ুম য়ুমদা সি এফ এল বল্বশিং লৈদুনা মৈ কা হেন্না শিজিন্নদনবা ইমুং কয়া অমনা হোৎনরকপদগী ঙসিদি মৈ কা হেন্না শিজিন্নবা অদুদগী কনবা ঙম্লে হায়না লৌবা য়াই। মসিমক সরকারগী অচৌবা এচিপমেন্ট অমনি হায়না লৌবদা কাইদে। হৌজিক্কী মতমদা পৱার হায়বসি মীওইবনা হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা মচাক অমা ওইরবনি। চাউখৎপগী থাক্লা ৱাখৎলকপগা লোয়ননা হিরম খুদিংমক্তা ইলেক্ট্রিসিটিগী তঙাইফদবা অদু লৈরে। ঐখোয়না অপিকপা ষ্টেট অমদা লৈরুবনিনা অচৌবা ফেক্টরি নৎত্রগা ইন্দষ্ট্রিরোমদা মায় ওনশিনবা ঙমদ্রবসু স্মোল স্কেল ইন্দষ্ট্রিদা হিংজবা কয়া অমসু লৈরি। মৈ অসি নোংমদা পুং খরা হেন্না সরকারনা পীবা ঙম্লগদি মখোয়গী করবার অদু হিংলগনি হায়বগী আশা চাওনা তৌখি। মদুমক খরা মখৈদি প্রি পেদ সিষ্টেম অসি লাকপদগী হান্নদগী য়াম্না হেন্না ফগৎলে হায়না লৌবা য়াই।

অদুবু দিপার্টমেন্ট অসিগী চেকশিন্দবা কয়ানা প্রি পেদ মিটর পাল্লবসু মৈ য়েম্থোক্কদৌরিবা ত্রান্সফোর্মরশিংগী মতিক চাবা নৎত্রগা চাদবা হায়বদু য়েংদনা অনৌবা ত্রান্সফোর্মরসু লৈদনা হেক্তমক মৈ পীশিন্নবদগী ত্রান্সফোর্মরদা বেরা তৌদুনা মৈ ফংবগী চাং অসি মীয়ামদা শুনা পিবা ঙমদে। অমরোমদনা চেকশিন্দবা এমপ্লোয়িশিংনা সদ দাউন তৌরম্বা এরিয়া অমগী মৈ অমুক হন্না পীবা কাওদুনা পুং কয়া চুপ্না মৈ ফংহন্দবসু য়াওদবা নত্তে। প্রি পেদ ওইরবনিনা পৈশা লোয়দ্রিঙৈদা রি চার্জ হাপ্নবা হোৎনবদা ফাওবদা চপ চাবা বোচর পিবা ঙমদবদগী অচম্বা চেজমদা ইরগা পীরকপগী থৌদোকশিং লৈখ্রে। মদুগুম্বা থৌওং কয়া অসিনা মীয়ামগী মীচে তাফম দিপার্টমেন্ট অমা ওইদুনা লাক্লি। দিষ্ট্রিব্যুসন লাইনশিংগী মেন্টিনেন্স তৌদবা অমসুং ত্রান্সফোর্মরশিংগী মতম চানা রিপিয়ার তৌদবা অমসুং কঞ্জুমরশিংনা লৌরিবা মৈগী চাং অদুদগী হন্থবা মখলগী ত্রানফোর্মরশিং শিজিন্নবনা মরম ওইরগা লোদ পুবা ঙমদবদগী তোয়না ত্রান্সফোর্মরশিং চাকপনচিংবা কয়া অমা থোক্তবা নত্তে। ত্রানফোর্মর অমা রিপিয়ার তৌনবা নৎত্রগা মহুৎ শিনজিন্নবা হোৎনবদসু দিপার্টমেন্টনা শেল তিংবগী মহুত্তা লৈকায়গী কঞ্জুমরশিংনা খায়নরগা শেমজবগী মওং ফাওবা চৎনবী অমা ওইবগুম লৈরি। শম্না হায়রবদা শেল খোমগৎপদা ঙাওরবা মথৌদি নিংথিনা তৌদবা দিপার্টমেন্ট অমা হায়বা তারগদি পৱার দিপার্টমেন্টনি হায়না লৌবদা থোইনা লানগনি নিংদে। মীয়াম্না পাল্লিবদি চপ চাবা সপ্লাই পিবা অমসুং মদুগী মতিক চাবা পীফম থোকপা শেল থিবা হায়বসিনি। পীরিবা মৈগী চাংনা সরকারনা পাল্লিবা শেনফমগা য়েংনবদা য়াম্না লাপ্লি। হায়রিবা গেপ অসি মেনশিন্নবা দিপার্টমেন্ট অসিগী তোঙানবা থৌশিল অমা হায়বদি পোলিসি অমা শেম্বা তাবনি। মদুসু অলে–জালে তৌদুনা লৈরিঙৈদা অনৌবা পোলিসি অমা পুথোরকপা উদে। প্রি পেদ কী মৈ ফংহন্নবা হোৎনবদসু মঙম শান্দে। অসিগুম্বা দিপার্টমেন্টগী নেগ্লিজেন্স কয়া অসি কুপশিন্দুনা থন্নগা কঞ্জুমরশিংদা তাইনদুনা মৈ ফংহনবগী চাং হেনগৎহনবা ঙমদবসি দিপার্টমেন্ট অসিগী অচুম্বা খোঙথাংনি হায়গদৌরিব্রা । অতোপ্পা ষ্টেট অমদা করিগুম্বা ঙসিগী মণিপুরগী পৱার দিপার্টমেন্টনা চত্থরিবা থৌওং অসি তারগদি নহালনা দিপার্টমেন্ট অসি লৈবাক মীয়াম্না থিংজিন্দুনা থমখ্রগদৌবনি। ওৎলৈ–পাৎলৈ তৌদুনা পংহিং হিংবগুম লৈবা দিপার্টমেন্টসিনা শেল পাম্লবদি মথৌসু নিংথিনা পাঙথোকপা তাই হায়বসিসু খন্থহন্নিংই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# বাই-বাই, নিয়ু ইয়ার

জনুৱারিগী তাং ১, কাংলুপ অমগী চহি হৌবা নুমিৎ অমনি হায়বা অসি খঙজিনবা য়াবা নুমিৎ অমনি হায়জনিংই। অদুগা নুমিৎ অসিবু মীপুম খুদিংমক্কা তঙাই ফদনা তৌদবা য়াদ্রবা পালন অমগুম তৌনরকপগী থৌওং অসিবুদি অচুমবা খোঙথাং অমনি হায়নিংদে। মণিপুরি সমাজ অসি মরমদি ইথি-থিদনা ইখঙদি খঙদনা লাংবা চাবা-থকপা নুংঙাইথোকপা য়ামনা পাম্বা কাংলুপ অমগুম নোংম-নোংমগী উবা ফংলক্লি। বাই-বাইনি হায়রগা নিয়ু ইয়ারনি হায়রগা ঐখোয়না চাকচা-হৈজানবা চৎপা কোইবা লাংবা অৱাবা -নুংঙাইবা ময়াম অসিগী অর্থ করিনো? নুমিৎ অসিদা অৱাবা ফোংদোক্লিবনি নুংঙাইবা ফোংদোক্লিবনি হায়দুনা ইনখৎলক্লিবা ইনখৎলক্লিবী করিসু খঙজদ্রিবা কয়া নিষা চাবগী অহৌবা নুমিৎ ওইখিবা মপুন্সিনা অরোইবা নুমিৎ ওইখ্রগদবা অসি লিশিং লিশিংনি মশিং হায়বা ঙম্বা নত্তে। ইমুং অমা নুংঙাই য়াইফনা লৈনবা হোৎনবদা ইমুং অদুগী হিসাব চংই, মতিং লৈবা সমাজ অমা ওইহনসি হায়রগদি মীপুম তিংনা সমাজ অদুগী হিসাব তৌফম থোকই।

অরিবা চহিনা ফত্তবা খুদিংমক পুখিবা ওইরসনু অনৌবা চহিনা নুংঙাই য়াইফবা পুরকপা ওইরসনু অচৌ-মচা খায়দনা মীপুম অয়াম্বনা শীজিন্নবা ৱাহৈনি। তাবদা ফজবা নুংঙাইবা ওই অৱাবা অমসু ওই। পোজিটিব এটিচুত্তি লৈনবা হোৎনদনা, অরিবা চহিদা অনৌবা চহিনা মরাল থংজিনবা য়াম্না চাওনা শোয়রবা অমনি। ৱাইদি শিত্তনা অনানবা মফম ওইসনু হায়বা হৈদি থাদনা পানবা ওইরসনু হায়বা ওইবা য়াবা নত্তে। মতম হায়বা অসিনা ফত্তবা অরানবা অমত্তা তৌখিবা তাখিদ্রি। ২০১৪ গী মরাইবক মীনা লেপকনি, ২০১৩ দা হায়খিবা ৱাহৈ অসিমক ২০১৪ দা অমুক হন্না শীজিন্নবা ইকাইনিংঙাই ওই। অনৌবা চহিনা অনৌবা অওনবা পুরকপা ওইরমদ্রে মীপুম খুদিংগী ৱাখল হোংবা চংই হায়বগী পাউজেল পিহন্নিংই।

# অঙাওবগী চোইরোলশু অফবা-ফত্তবসু মরৈরি (লীচৎকী মীৎয়েংদা)

অঙাওবা ফৌশু চরা নোংখন্নৈ হায়বা পাউরৌ মীতৈ ঈপা-ঈপুশিংনা থম্বিরমবা লৈরি। ঙসিগী মতমদা মীতৈ খুনাইসিনা লাই ওইখ্রবা ঈপা-ঈপুশিংগী পাউতাকশিংবু মীরাইনবগুম তৌনরি। ‘আ: না লাওরিঙৈগী ৱাবু’ হায়বসি মতমসিগী লাইরিক হৈবশিংগী লেমজনিঙাই ওইরবা ৱাহায় ওইরি। অতম্ননা নীংশিংনদবগী ৱাতনি, তাবদি পূম্ন মক্লা খঙনা তানরবা ঙাক্তনি। মসিমক খুদম অমা ওইরবনি। অইবগী মায়কৈদগী থমজিনিংবা অমত্তংদি হান্না থেংনবনা খঙবা হাল্লি, হান্না খঙবা মরম্না মখোয়না থম্বীরম্বা পাউতাক্তি চাদা চাম্মা চুম্মী হায়বসি ঙসিগী লাইরিক হৈবশিংনা খন্তুনবা মতম থমহঞ্জনিংবা অদুনি! মসিতনা মালেম খুনাইনা মীতৈবু লৈবাক মচা তাবা ঈরূন/জাতি অমনি খন্না ইকাইখুম্নবিগনি খল্লি! মীতোপ মীয়ানশিংনা মীতৈবু ‘মণিপুরী জঙ্গলিয়া’ হায়না কৌবিরিবসি ইকাইখুম্নবিবা মিংথোলদি ওইগদবা মান্দে, খজিত্তুং খন্থবদি চুমগদ্রা খল্লি! ঈরূপ অমা হৌদোপীরম্বা ঈপা-ঈপুশিংগী পথাপ-পরিং থুগাইরগা, খাঙুথক্কী মীরান তুং ইল্লিবা ঈরূপ-খুনাইনা চাওখৎপা তান্নবদা, মখোয়গী মপা-মপুশিংনা তৌবিরম্বা অফবা থবক-থৌরমশিং পুথোক্তুনা মালেমদা খঙহন্নবা হোৎনবনা অহানবা খোঙথাং ওইনরি। অনিশুবদা, ঈপা-ঈপুদুনা চৎনরম্বা লীচত্তু, মচা-মশু ওইবা ঙসিগী মীরোল খুনাইনা, মালেম খুনাইদা উত্তুনা ফজবা অচুম্বদু উৎলি। মালেম খুনাইনা, অচুম্বা-ফজবা লীচৎ অদু উরগা, অদুগুম্বা ঈরূপ/নেসন অদুবু চাওখৎপা ঈরূপ অমনি হায়না লৌনৈ। অচুম্বা-অফবা ওইবনা উরু-খঙলুবা খুনাইদুনা, ফিদম লৌদুনা মশাগী খুনাইবু চৎহন্নবা শন্দোক্নৈ। মীতৈ খুনাইনা, ঙসিগী মতমদা চৎনরিবা চৎনবী ওইখ্রবা লীচৎ অসিদি মালেম্না হঙ্গোইনিঙাই ওইরে হায়বসিদি য়াম্নমক ময়েক শেংলি। ঙসি কংলৈ/ষ্টেট অসিদা, লৈপাক অসিগা হৌমিন্নরকপা য়েলহৌমী খক্তা নত্তনা, অতোপ্পা ঈরূপ-কাঙলুপ কয়াগী মীয়াম পুন্না লৈমিন্নরি। ভারতকী কংলৈ/ষ্টেট কয়াদগী লাকপা ঈরূপ-কাঙলুপ কয়াগী ঈমুং লিঙদুনা লৈরি। অসিগুম্বা ষ্টেট অসিদা নোংমা লেপ্তুনা অকিবা ফংলবা ৱাথোক থোক্লি। ৱাথোকশিংগী মনুংদা, য়াম্না হঙ্গোইনিঙাই ওইরবা, নুপী-অঙাংশিংগা মরী লৈনবা অকাম্বা-অচোপ্পা ৱাথোক শঙ্গু অমা থোক্লি। মখল অসিগী ৱাথোক্তা য়েলহৌমীগী ঈমুংগী নুপী নত্তনা খাঙুথক্তা ঈমুং লিঙদুনা লৈমিন্নরিবা ঈরূপ-কাঙলুপকী নুপী অমতা চেন্নবা য়াওখিবা লৈত্রি। বঙ্গালী-মরৱারী-সিখ-তমিলনচিংবা ঈমুংগী নুপী অমত্তা চেন্নখিবগী পাউ লৈতে। নিপা খুনাইদদি চেন্নবা কয়া লৈখরে, নিপা খুনাইনা হীরম অসিদা হেন্না ফত্তে হায়বদি ময়েক শেংলে। নাকল অমদা, পাম্বৈ লৈজদবী ওইবনা নুপী খুনাইগী মীচঙদা মীয়াম্না লেপ্লি। অসুম্না পাঙ্গল শোনবীনি লৌরিবা অসি, ষ্টেট ওরিজিন নুপী খুনাইখক্তরা, অতৈ নৌনা লাকখিবশিংগী

পনখৈ তাল্লিবা ঈচেল-৩৮৯
ৱাই চীঙৈখ ঙানবা লুৱাং

নুপীশিংদি মথৌনা-মপাঙ্গল লৈ হায়গদৌরিব্রা? শোল্লি হায়রিবা মীতৈ নুপী খুনাইদি, ফিশা-তেম পায়দুনা, খ্বাঙচেৎ লাক-কোকশেৎ শেত্তুনা, নোংমৈ-শঙ্গিন পায়বা, মপাঙ্গলসু কনবা লম্মীশিংগা লান থেংনখিবা, নোংমৈ মমাঙদা তেমগী জগোই শাদুনা, মীরৈবাক্তা, বৃটিসারশিংনা অমদি, শেঞ্জাউ পায়বা ললোনবা মরৱারী খরনা চেং থাদোকপা থিংখিবা লৈরি। ঙসি ফাওবা অকাউ-পরৈ চনখিদনবা নিংশিং-থৌরম পাঙথোক্তুনা ইকাই খুম্নরি। অসিগুম্বা নুপী চনুরা খুনাইবু মতু শোনবীনি করম্না হায়রিবা? মালেম খুনাইনা করিদা য়ানিঙাই লৈরিবগে? মিয়েং অসিদা য়েংলগদি, মতমসিগী মীতৈ চনুরাশিংগী চৎনরোলদা অহোবা (লূপ-হোল) লৈরব্রা মীতৈ খুনাইনা থিজিলহৌনবগী মতম লাক্লব্রা হায়বা অমা পুখৎচরি। অসিগুম্বা তমথীবা ৱাথোক মীতৈ চনুরাখক্তগী রিজার্বেসন ওইবগুম্বা মতৌ অসি থিংজিন্নবা হোৎনবা তঙাইফদবা লৈরে খল্লি!

অনিশুবদা চোইরোল ওইনা পঞ্জনিংবদি-নৌনা লাক্তুনা লৈপাক অসিদা মরা তানা খুল লিংদুনা লৈখ্রবা ঈমুংশিংগী নুপী খুনাই অসিনা, অসিগুমবা অকাম্বা-অচোপ্পা থৌদোক অমত্তদা চেন্নদবসি পাঙদবী-কিগনবী ওইবননি লৌবা তাব্রা! মরু ওইনা ‘তেল্লী’ হায়ন খঙনখ্রবা, কুইরক্তুনা মখোয়না খুন্দারিবা খুনবু ‘তেল্লীপতি’ হায়নফাও খঙনখ্রবা, মিনুংথোং ময়াদা খুন্দারিবা তেল্লী নুপীশিংগী মনুংদা অমফাওবা ৱাথোকতা চেন্নবা লৈত্রি। শম্না হায়রবদা অরিবা অমসুং অনৌবা ঈমুংগী ষ্টেট ওরিজিন নত্তবী নুপী খুনাইনা ৱাথোকশিংদা চেন্নদবসিগী মরম লৈফম থোকই। মখোয়না ৱাচোপ থৌদোক্তা চেন্নদবসি, নুপী ওইবীগী তৌফম থোকপা, লৌফম থোকপা থৌদাংদগী হেন্দোক্তুনা, তৌফম থোকপদু ঙাক্লা চৎপনা, মপানগী মিংচৎ-মিংফাও লমজেল য়াওদবগী মনা (প্রাইজ) মখল অমনি লৌফম থোকই! মিংচৎ উরোং লমজেন য়াওদবনা অথোই-অহেনগী মনা ফংদ্রগসু, লীচৎ-লমচৎকী অথোই-অহেন খল্লগদি নন-ওরিজিন নুপীশিংনা ফংবদি মশানা তাজবা ৱাফম্নি! পোৎ খুদিংমক্কী কান্নবা অমাঙবা লৈরি; মিয়েং অসিদা য়েংলগা, মতম অমগী থৌনা ফরবী ঈমাসিং অদুনা পাঙ্গল শোনবী অমা ওইরগসু, মপারী-মমোম কয়াগীদমক শাগৎখিবা ঈহৌ অদুসু অচৌবা ৱাথোক অমনি; ঙসি নুপী খুনাইগা মরী লৈননা থোক্লিবা অসিসু ৱাথোক্লি। মমাঙগী ৱাথোক্লা মালেমগী ফিদম ওইহল্লি; ঙসিগী ৱাথোক্লা অমাঙবা হায়বদু থোক্লি। মমাঙ মতমগী নুপী খুনাইদুগা ঙসিগীগা খেন্নবা লৈফম থোক্লি। করিদা খেন্নরিবনো ঙসিগী খুনাইসিনা থিফম থোকই। মতম অমগী নুপী খুনাইনা লমচৎকী শম্বল কিনা লৌনরম্মী, ঙসিগীনা নিংতম্বনা মপুং ওইনবগুম তৌরি। মীওইবগী মপোক অসি নিপা-নুপী হায়বা লৈতে, নিং-তম্ববু পামদবা অমত্তা লৈতে। পাম্মী হায়দুনসু মহৌগী ওইবা শম্বল ৱাংমদা লাল্লগদি চৈরাক ফংদনা খক তোক্তে। ঙসিগী নিপাসু-নুপীসু মহৌ/নেচরগী শম্বল ৱাংমদা চোংথোকপা তান্নবগুম তৌরি। মসিমক্তনা মতমসিগী নিপা-নুপী খুনাই অনিমক চৈরাক ফংমিন্নরি হায়বসি খঙমিন্নবা কান্নগনি খল্লি। নিপা অমসুং নুপী অনিগী মথৌ-মঙম (duty & function) হকচাং শাগৎপদা খেন্নবগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানহল্লি। মশা-মশাগী তৌফম থোকপদগী হেন্দোকপা য়াদবা লৈরি। মতমসিদদি মশাদা য়াওরিবা কয়াৎকী তৌফম থোকপা লন্থোক্তুনা অতোপ্পা কয়াৎ মান্নদবশিংগা শিঙনবা তান্নবা, মদুদা ঙম্লগা চাউথোকচনিঙাই ওইনা লৌনরি। ‘অঙাং লঙনরগা চোপ্পা নংঙি অহল শিঙনরগা কপ্পা ফংঙি’ হায়বা পাউরৌ লৈরি। অঙাং-অহল অমদি নিপা-নুপী খায়না মশা মশাগী মহৌ/নেচরনা পীরকপা মথৌ পাঙনরগদ চাওখৎপা খুনাই ওইবদি মহৌশানি। মসি নত্তনা অমগী মথৌদা অমনা খুৎ থিঞ্জিন্নরগদি চয়েৎনবা লাকপদি মশানা তাজবনি। মান্নদবা অনি মুক্ত রগদি মাঙমিন্নবা তাবনি। কটি পায়বা ফিতুবনা লাঙ্গোল পায়রুরগদি লাঙ্গোল য়োৎচৈ/মচিন্না শদোং ফকখিবদি অঙকপা নত্তে। মান্ন-মান্নবা হিদান্নবদি মনা (প্রাইজ) ফাংঙি; মান্নদবা অনি শিঙনরবদি তেকচাক ফংঙি হায়বসি অঙাওবগী চোইরোলনি হায়রগসু খনবদদি খন্নবা কান্নগনি খল্লি! অরোইবদা চোইরোল ওইনা মসিদংগা থমজগে- নুমিৎচুপ্পা অমা, মৈরা মেংক্রুক কত্তুনা, মিত্তা পীরাং শিন্থনা, পুক্লিং অমত্তা ওইনা লাই নিংদুনা মহয় নিজরুবনি। য়াচংলকপা মতমদা মিৎ পাঙথোক্তুনা য়েংলুবদা নিজরিবদুদি লৈরমদে, ঈশা পুমথিৎ থিত্তুনা লেঙবা ঙম্নমখিদে। ইঙাদা পাঙ্গল তেক্লা লৌ: পানখিবশিংদি, হিয়াঙ্গৈ থাদা ফৌগী মহয় পৈরদুনা মরেক মহাও থোকচখি। লাইপোক অহলশিংনা লাই নিংঙু হায়রম্বদি, তৌফম থোকপা ঈথৌ শূরগদি, পাম্লিবা মহয়দু ফংদুনা মহয় য়ানবা মপোক ফংগনি! ৱার্ক ইজ ৱার্শিপ’ তা থাজবা থম্মসি, য়াইফবা-ৱাথোক লৈতবা খুনাই শেম্নবা মীয়াম খুৎশম্নরসি!

# জাতিগী ওইবা খুঙ্গংগী লমদা থক্লবা ঈশিং ফংহন্নবা থৌরাং নেসনেল রুরেল দ্রিঙ্কিং ৱাটর প্রোগ্রাম - পি আই বি, ইম্ফাল

খুঙ্গংগী লমদা থক্লনা ঈশিং ফংহন্নবা থৌরাং নেসনেল রুরেল দ্রিঙ্কিং ৱাটর প্রোগ্রাম (এন:আর:দি: দব্লিউ:পি;) গী পান্দমদি খুঙ্গংদা লৈবা মীপুম খুদিংমক্তা থক্লবা, থোং থাকপদা শীজিন্নবা অমদি নোংমদা দরকার লৈবা য়ুমগী থবক্তা শীজিন্নবা অফবা ঈশিং অরেপ্পা লৈতনা পীবা অমদি য়ামদ্রবদা ঈশিং ষ্টেন্দর অফবা ওইহনগদবনি অমদি মতম অমতদা, ফিভম খুদিংদা মীয়াম্না লায়না ফংবা ঙম্বা ওইগদবনি। হায়রিবা পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না শাংবা থৌরাংনি।

১২ শুবা চহি ৫ গী প্লানগী তাঙ্কক মনুংদা, এন:আর:দি: দব্লিউ:পি:গী মখাদা, মন্ত্রালয়না খুঙ্গংদা লৈবা মীওইশিংদা পাইপকী ঈশিং ফংহন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং চংলি। রাজ্যশিংদা খুঞ্জাশিংগী লৈফমশিং পাইপকী মতেংনা ঈশিং অদু ষ্টেন পোষ্ট নৎত্রগা য়ুমথোংগী ওইনা য়ৌহন্নবা থৌরাং শেম্নবা হায়খ্রে। মসিনা ঈশিং থিবগী অৱাবা অমদি মতম মাঙহনবা অদু হন্থহনবগা লোয়ননা মফম অদুদা থেংনবা ঈশিংগী সমশ্যা কয়াসু থেংনবা ঙমহল্লগনি। রাজ্যশিংদা পাইপকী মতেংনা ঈশিং ফংহনবা থবক তপ্পা অমদি ৱাৎপা মফমশিংদা থৌরাং হনগৎনবা মন্ত্রালয়না রাজ্য খা অসাম, বিহার, জারখন্দ অমদি উটর প্রদেশতা ৱার্ল্ড বেঙ্ককী মতেং লৌনবা প্রোজেক্ট অম পায়খৎন্নবা থৌরাং তৌরি।

মসিনা পাইপকী মতেংনা ঈশিং পীনবা থৌরাং শেমগৎন্নবদা শীজিনগনি। ভারত নির্মানগী অহানবা তাঙ্কক্কী হৌরকপা তারিক ১/৪/২০০৫ অদুৱাইদা ঈশিং য়ৌদবা মফম ৫৫,০৬৭ ঈশিং য়ৌহন্নবা পান্দম থমখি। মপুং ফানা য়ৌবা ঙমদবা মফম ৩,৩১,৬০৪ দা অফবা ঈশিং পাইপকী মতেংনা ফংহন্নবা পান্দম থমখি। পান্দম অসিগী মখাদা রাজ্যশিংনা পিরকপা মিনিষ্ট্রি ওফ দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ শেনিটেসনগী ইন্টিগ্রেটেট মেনেজমেন্ট ইনফোর্মেসন সিষ্টেম (আই:এম:আই:এস) কী ওনলাইন রিপোর্টকী মতুংইন্না তারিক ১৫/৮/২০১৩ ফাওবদা য়ৌদবা মফম ৫৫,১৯৩, মপুং ফানা লোয়হৌদবা মফম ৮,৩৩,৩০৪ অমদি ঈশিংগী মগুণ ফবা ৱাৎপা মফম ১,৫২,৩৭১ দা পাইপকী ঈশিং অফবা য়ৌহনবা ঙমলে। হায়রিবা অসিদা নৌনা হাপচিল্লবা য়ৌবা ঙমদ্রিবা মফমশিং, মপুং ফানা য়ৌদবা, চিংখহৌবা মফম অমদি ঈশিং অফবা য়ৌবা ঙমদবা মফমশিং য়াওরি।

পান্দম থল্লিবা মফম খুদিংমক লোয়নমক ফংবা ঙমদবগী মরমশিংদি তোঙান তোঙানবা খুঙ্গং কয়াদা অরাপ্পা ঈশিং ফংবা মফমশিংদগী ঈশিং পুরক্লবা পাম্বৈ শেম্বদা শেল য়াম্না চংবা, পোরম য়াৎপদা, দিজাইন শেম্বা, অয়াবা লৌবা, ফংহন্নবা হোৎনবা, থবক ওইনা পাংথোকপা অমদি স্কিম অসি কমিশন তৌবদা মতম য়াম্না চংই লোয়ননা ঈশিং মপুং ফানা ফংহনখ্রবা মফমশিং অদু ঈশিংগী হৌরকফম কংশিনখিবনা মরম ওইদুনা মপুং ফানা ঈশিং ফংদবা মফম ওইরকপা, লৈনুংগী ঈশিংগী থাক নেম্মকপা, প্রকৃটি নৎত্রগা খুশেম্না মরম ওইদুনা ঈশিংগী হৌরকফমশিং অদু মোৎশিনবা, ঈশিং পিনবা থৌরাং অদুনা খুঞ্জাশিংগী পুন্সিদা অপনবা পীবা, সিষ্টেমনা তৌবা ঙম্বা পাঙ্গলদগী হন্থনা তৌবা, থবক অদু মওং নাইদনা অমদি য়াম্না শোন্না পাংথোকপা, মীশিং য়ামখৎলকপা, মী তাশিনবা মফম হেনগৎলকপা, ঈশিং ফংফম থিবগী সমস্যানচিংবা কয়া মায়োক্নৈ।

মমাঙদা পনখ্রিবা সমাস্যাশিং অসি থেংননবা, ভারত সরকারনা এন:আর:দি: দব্লিউ: পি: গী মখাদা রাজ্যশিংদা শেল অমদি টেক্নিকেলগী মতেং কয়া পীদুনা খুঙ্গংগী প্রজাশিংদা অফবা থক্লনবা ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনবদা খুমাং চাওশিন্নবা হোৎনরি। ইং শক ২০১৩-১৪ দা এন:আর:দি:দব্লিউ:পি: গী মখাদা লুপা কোটি ১১০০০ থাদরি। এন:আর:দি:দব্লিউ:পিনা থল্লিবা পান্দম অসি ফংনবা, রাজ্য সরকারদা ঈশিং পীবগা মরী লৈনবা থবক কয়া পায়খৎহন্নবা প্লান য়াৎপা, অয়াবা পীবা অমদি থবক ওইনা পাংথোকপগী শক্তি শীন্নরে। রাজ্য সরকারশিংনা, কেন্দ্রগী মন্ত্রলয়শিংগা ৱা তান্নদুনা এন্যুয়েল এক্সন প্লান (এ:এ:পি), সেমদুনা খুঙ্গংগী লমশিংদা মপুং ফনা য়ৌদ্রিবা মফম অমদি ঈশিংগী ফিভম ফাবা য়ৌদ্রিবা খুঙ্গংশিংদা অফবা ঈশিং য়ৌহন্নবা হোৎনৈ।

হায়রিবা খুঙ্গংগী লমশিংদা পীরিবা ঈশিং ফংহন্নবা স্কিমশিং অসি তুং কোয়না অরেপ্পা লৈতনা চত্থনবা, রাজ্যশিংনা থাগৎলবা ওপরেসন এন্দ মেন্টেনস (এ:এন্দ:এম) মেঠটশিং হায়বদি থবক পায়খৎপা অমদি য়েংশিনবগী থৌরাং কয়া পায়খত্তুনা স্কিম অসি মথৌ ফজনা তৌহনবা অমদি অহোবা কয়া থিংনবা হোৎনৈ। রাজ্যশিংদা থাদরিবা শেলগী চাদ ১৫ দি ও:এন্দএম দা শীজিন্নৈ।১১ থক্লনবা ঈশিং অদু তুং কোয়না অরেপ্পা লৈতনা লাক্লনা ঈশিংগী হৌরকফমশিং অদুদা রাজ্যশিংনা স্কিমগী শেনফমগী চাদ ১৫ শীজিন্নবা য়াগনি। থক্লনবা মতিক চানা শেংলবা ঈশিং ফংহন্নবা লৈবাক্কী ওইবা অপুনবা শেনফমগী চাদ ৫ দি জাপনিজ এনকেফিলাইটিস অমদি একুট এনকেফিলাইটিস লায়নশিংগী রিপোর্ট লৈরবা মফমশিংদা অমদি রশায়ন তিল্লবা ঈশিং লৈবা মফমশিংদা অখন্নবা থাদগনি। মসিগী মথক্তা রাজ্যশিংদা থাদবা শেনফমগী চাদ ৬৭ তি ঈশিংগী মগুণ ফত্তবা মফমশিংদা ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনবদা থাদগনি।ঈশিংগী মগুণ য়েংথোকপা য়ানবা, এন:আর:দি: ডব্লিউ:পি:না রাজ্যশিংদা থাদরিবা শেনফমগী চাদ ৩ দি ৱাটর ক্বালিটি মোনিটরিং এন্দ সরগেলেন্স কম্পোনেন্ট রাজ ইন্সটিট্যুসনশিংসু (পি:আর:আই:) প্লান্নিং, ওপরেসন অমদি মেনেজমেন্টতা য়াওহন্নবা মেনেজমেন্ট দিভোলুসন ইন্দেস হায়না মিংথোনদুনা রাজ্য সরকারনা পি:আর:আই:শিংদা শেল থাদবা, থবক পায়খৎপা অমদি শিন-লাংবগী থবক পায়রিবশিংগী মতাংদা কয়া য়াম্না শক্তি শিন্নবা য়াগনি হায়দু য়েংশিনগনি।

এন:আর:দি:দব্লিউ:পি:গী শেনফমগী চাদ ১০ দি এম:দি:আই: স্কোরগী মতুংইন্না রাজ্যশিংদা পীগনি। মন্ত্রালয়না য়াম্না লিংবা ৱেব বেজ মোনিটরিং মেকানিজম অমা শেমদুনা এন:আর:দি:দব্লিউ:পি:গী পায়খৎলিবা ঈশিং পীবগী স্কিমশিং অসি রাজ্যশিংদা পায়খৎলিবা অদু য়েংশিন্নবা কেন্দ্রগী থাক্তা শেম্লে।

নেসনেল রুরেল দ্রিঙ্কিং ৱাটর প্রোগ্রাম এন:আর:দি:দব্লিউ:পি:গী মখাদা পায়খৎলিবা স্কিমশিং অসিগী থবক থৌরম কয়া অসি য়েংশিন্নবা থৌশিল কয়া পুথোক্লে রাজ্য সরকারশিংনা কেন্দ্রগী মিনিষ্ট্রি ওফ দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ শেনিটেসনগা লোয়ননা খন্নদুনা চহিগী এক্সন প্লান অমা শেমদুনা এন:আর:দি: দব্লিউ:পি: গী পোৎচাক অমদি থবক থৌরমশিং শেমগৎকদবনি। চহি খুদিংগী, রাজ্যশিংনা মী তাবা লমশিংদা য়ৌহন্নবা অমদি স্কিমশিং অসিগী থবক থৌরমগী অকুপ্পা মরোল অদু মন্ত্রালয়গী ইন্ট্রিগ্রেটেট মেনজমেন্ট ইনফোর্মেসন সিসমেন্ট (আই:এম:আই:এস:) গী ওন-লাইনগী খুত্থাংদা পায়খৎলি। পায়খৎলিবা থবক অমদি শেলগী ৱারোল খুদিংমক রাজ্যশিংনা থা-থাগী ওইনা আই:এম:আই:এস: তা থাগৎকদবনি। থাগৎলিবা ৱারোলশিং অসি মন্ত্রালয়না য়াম্না কুপ্পা শেন্নদুনা থবক্তা শোত্থহৌরবা রাজ্যশিং য়েংশিন্দুনা অশোইবা কয়া অদু শেমদোক্ন বা পাম্বৈ পুথোকই।

মন্ত্রালয়গী সিনিয়র ওফিসারশিং, মফমদুগী ওফিসারশিং অমদি যেক্নিকেল ওফিসারশিং রাজ্যশিং অসিদা চত্তুনা প্রোগ্রাম অসি কদাই ফাওবা খুমাং চাওশিনবা ঙম্লে হায়বদু য়েংগনি। খুঙ্গংগী লমদা ঈশিং পীবগী থৌরম পায়বা সেক্রেটরিশিংগী মরক্তা মিটিংশিং অমদি ভিদিও কনফরেন্সনচিংবা মন্ত্রালয়না পাংথোকই। মসিনা ঐন:আর:দি:দব্লিউ:পি: না পায়খৎপা থবকশিং অদু য়েংশিল্লি। মন্ত্রালয় অমদি প্লান্নিং কমিসন্না মতম মতমগী ওইনা থৌরাং অসিগী মখাদা পায়খৎলিবা থবকশিংগী ফিভম য়েংশিল্লি।

নেসনেল রুরেল দ্রিঙ্কিং ৱাটর প্রোগ্রাম (এন:আর:দি:দব্লিউ:পি:) অসি রাজ্য খরদা থবক ওইনা ওন্থোকপদা থেংনরিবা অৱাৎপশিং হায়রগা চহি অমদা য়ৌগদবা খুঙ্গংগী পান্দম মশিং অদু য়ৌবা ঙমদবা মরুওইনা অফবা ঈশিং পীবা ঙমদবা অমদি কেন্দ্রগী শেনফম অদু শীজিন্নবা ঙমদবা অসিনি।

রাজ্য খরনা প্রোগ্রাম অসিগী শেনথং মতম চানা শীজিন্নবা ঙমদবগী মরমদি চহি ২-৩ হেন্না চংগদবা খুঙ্গং মশিং য়াম্না থবক পায়খৎপা, মসিনা মরম ওইদুনা শেল শীজিন্নবদা থিনথবা, শেম-শাবদা মতম কুইনা চংবা, অয়াবা লৌবা য়াওনা আইনগী ওইবা থবক থৌরম পায়খৎপদা মতম চংবা অমদি ফন্দ থাদোকপদা থিনথবনচিংবা য়াওই।

# চাওখৎপগী লমজেলদা কো-ওপরেটিভকী তঙাইফদবা

কো-ওপরেটিভ হায়বসি লৈবাক নৎত্রগা লমদম অমদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্লা মত ৱাখল, শিনফম মান্ননা অমদী পুকচেল শেংনা পুনশিন্দুনা পান্দম অমা ফংনবা থবক শুমিন্নবনি। কো-ওপরেটিভ অসি প্রজাশিংগী অমত্তা ঙাইরবা অশেংবা সংস্থাননি, মেম্বরশিংগী পাঙ্গল অমদি থৌনাতনা চাওনা শেনদোং লৈনা করবার তৌদুনা মায় পাকপা অমা পুরকপা অদুনি।

ঙসিদি পৃথিবিদা বিলিয়ন অমা হেনবনা কো-ওপরেটিভকী মেম্বর ওইরি অমদী পৃথিবী শিনবা থুংনা কো-ওপরেটিভ ইহৌ কনখৎনবা এৱারনেস প্রোগ্রাম কয়া লৈবাকশিংনা পাঙথোক্লি। ভরত্তা কো-ওপরেটিভ লাখ ৬ (তরুক) অমসুং মেম্বরনা ক্রোর ২৫ হেনবনা তেঙান-তেঙানবা কো-ওপরেটিভ সোসাইটিশিংদা শরুক য়ারি। অদুবু ঙসিসু ভরত্তা কো-ওপরেটিভকী ইহৌ অসি পুন্সিগী লুরবা তনফম অমদা লৈরী। অমরোমদা ষ্টেটখরদদী ইহৌ অসি চাওখৎপগী মহুত্ত হিংনবগী লাম্থেংনরি।

ভারত্তা মায় পাক্না চংশিনলিবা কো-ওপরেটিভশিংগী মনুংদা white revolution শঙ্গোমগী পোখোক অসিনি। মিলক প্রদ্যুসর কো-ওপরেটিভ অসি ১৯৭০ দগী খুঙ্গংশিংদা লিংখত্তুনা হৌরকখি। পৃথিবীদা শঙ্গোম অমসুং শঙ্গোমগী পোখোক পুথোকপদা ভারতনা মাংজিন থাদুনা চৎলি। হার (Fertiliser) পুথোকপগী লমদসু ১৯৬৭ তা IFFCO লিংখত্তুনা পৃথিবীদা খ্বায়দগী হার পুথোকপা কো-ওপরেটিভ সোসাইটি ওইদুনা ভারতকী শরুক অহুম থোকপগী অমা ওইদুনা অফবা মরু-মরাং অমদী চিঞ্জাক মরাং কায়না পুথোকপদা মতেং পাংলি। চিনিগী পোখোক পুথোকপদসু সুগর কো-ওপরেটিভনা চাদা ৫০ গী মথক্তা শরুক য়ারি। মসিদা নত্তনা ঙা, য়েরুম, থাউ অমদি খুৎশা-হৈবগী, ফিশা-লোনশা হীরম কয়াদা কো-ওপরেটিভনা খুমাং চাওনা চংশিন্দুনা ভারতকী ইকোনোমীদা চাওনা শরুক য়ারি। ভারতকী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবীরম্বা পনডিৎ

এল. নেতাবন সিংহ
সিঈআই, এমএসসিউ

জৱাহরলাল নেহরুনা কো-ওপরেটিভকী ইহৌ অসি খুঙ্গং খুদিংমক্তা য়াম্না মরু ওইবা তঙাইফদবা শীনফম ওইহন্দুনা অমদী ভরতকী মীপুম খুদিংমক্তা কো-ওপরেটিভকী ৱাখললোনতনা পুমনিল নিলহনবা পামলায়ম্মী। মরমদি কো-ওপরেটিভ খক্তনা ভারতকী চাওখৎপগী লম্বীনি। কো-ওপরেটিভকী লেজিশলেসন পোলিশি-প্রোগ্রাম কয়া শেমদুনা খুদোংচবা কয়া পীদুনা মেম্বরশিংগী য়াইফনবা অমদী লৈবাক্কী শেনমিৎলোন্দা অচৌবা মতেং ওইরি। ভারতকী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎনবা কন্না হোৎনরবসু শেল-থুমগী ফিভম ফগাৎপগী চং অসি মীপুম খুদিংমক্কী পুন্নিংদা ফগওহনবা ঙমদ্রী হায়না ইকোনোমিষ্ট খরনা মত পীরি। হোৎনরীবা/থাদরিবা খুদিংমক চাওখৎপা লোমদা অর্থহনবা লানগনি মরমদি হোৎনরিবা/থারিবগী পরিং য়াওশিনহনবগী তঙাইফদে। মতম অমতদা শেল থুগী ফীভম ফগাৎহনবদা মরু ওইনা সেকেন্দরি অমদি ত্রেশারি শেক্তরনা ওইরিবা অসিদা লৌউ-শিংউ (প্রাইমারি শেক্তর) লমশিং য়াওশিল্লবা কান্দা ওইথোক্কনি। সেকেন্দরী অমসুং তেশোরী শেক্তরদগী ফংলিবা কান্নবশিং অসিদী সমাজ অসিগী মচং ওইবা মী খরগী খুত্ত লৈরী। লন-থুম পৈশিনবা খক্তনা পুন্নমক চাওখৎলে হায়বা য়ারোই পৈশিনলিবা লনশিং পুকচেল শেংনা মাংজৌননা চংগদবশিং থীদোক্তুনা মফম অমদী মরম চানা মীপুম খুদিংমক্কী অমদী সমাজগী ফগৎনবা থাদরবা কান্দা অশেংবা চাওখৎপা ওইগনি। মথং মথং...